# বৈজিংগী এয়র পোল্লুসনগী থাক খুদোংথিনিঙাই ওইরে



*বৈজিং, জনুৱারি ১৬ঃ* বৈজিংদা নুংশিৎ–নুংশা শেংলক্তবগী থাক ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা মীওইবনা হকথেংনবা য়াবগী চাংদগী শরুক ২০ হেনগৎখিবগা লোয়ননা বৈজিংদা লৈবা মীয়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎননবা ৱার্নিং পীরে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মৈখুগা য়ানশিন্নরবা অকুংবা লৈচিলনা উবা ঙম্বগী চাং কা হেন্না হন্থরকপগা লোয়ননা নুংশিৎতা নুংঙাইতবা মনম ফাওরকপদগী ওফিসিয়েলশিংনা ঙাকথোক্নবা মায়খুমশিং উপ্নবা মীয়ামদা খঙহনখ্রে।

অদুগা অপিকপা অঙাংশিং অমদি চহি য়াল্লবা অহলশিং য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা ওফিসিয়েলশিংনা খঙহল্লে হায়রি।

দল্লিয়ু ঐচ ওনা হায়বগী মতুংইন্না পি এম ২.৫ হায়নসু খঙনবা খ্বাইদগী কুপ্পা পোল্লুসনগী পার্টিকলশিং অসি নুংশিৎতা য়াওবা য়াবগী চাংচৎ ক্যুবিক মিটর অমদা মাইক্রো গ্রাম ২৫ দগী হেল্লোইদবনি হায়না পীবনি।

ঙসি বৈজিংগী ওফিসিয়েল রিদিংশিংদা পি এম ২.৫ য়াওবগী চাং ক্যুবিক মিটর অমদা মাইক্রো গ্রাম ৫০০ দগী হেনবা থেংনখিবনি। বৈজিংদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী মোনিটরিং পোষ্ট অমনা হায়বগী মতুংইন্না পোল্লুসনগী থাক মফম খরদদি অতেনবা মতমগী ওইনা দল্লিয়ু ঐচ ও না পীবা খুদোংথিনিঙাই ওইদে হায়বা চাংগী শরুক ২৫ হেনগৎলম্বা য়াওখি হায়রি।

বৈজিংগা অতোপ্পা সিটিশিংগা শম্নবা মরুওইবা হায়ৱে ৪ ঙসি মতম খরগী ওইনা অয়ুক্কী মতমদা থিংজিনখি হায়না জিনহুৱা নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

বৈজিং অসি এয়র পোল্লুসননা থোকহনবা অসিগুম্বা অকুংবা স্মোগনা হেক–হেক শোকহনবনি হায়নসু ত্রাফিক কো ওর্দিনেটর ওইবা ঝাং কৌবা মীওই অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী সিটিশিং অয়াম্বসু কোইলা থারগা চলাইবা পাৱর কয়লা প্লান্টশিং, ফেক্টরিশিং অমদি লম্বীদা চেনবা গাড়ী মিল্লিয়ন কয়ামরুমনা থোকহনবা পোল্লুসনগী ফত্তবা ফিভমনা হেক–হেক কুপশিল্লি হায়নসু বৈজিংদা লৈবা বি বি সিগী পাউমী অমনা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিদা চত্থবা ষ্টদিশিংনা হায়বগী মতুংইন্না মীওই লিশিং চা কয়া চহি খুদিংগী খাঙুথক্তা শিহল্লি হায়খিবা লৈরিবনি। ফিভম অসিদা ষ্টেটনা চলাইবা মেদিয়া অমদি মীয়ামদগী পাক শন্না ক্রিটিসিজম পীনরকপনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা হাকুম চহিদা বৈজিংদা থোকখিবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা পোল্লুসনগী থাক অদু হন্থহন্নবা নুংশিৎ শেংদোকপদগী হেন্না তৌবা য়াবা অতৈসু তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# য়ু এস ন্যুক ওফিসারশিং পরিক্ষাদা নমথাক তৌরম্বদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ১৬ঃ* য়ু এসকী ন্যুক্লিয়ার মিসাইল লোঞ্চ তৌবগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা য়ু এস এয়ারফোর্স ওফিসার ৩৪ প্রোফিসিয়েন্সি টেষ্ট লৌবদা নমথাক তৌরম্মী হায়বগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

এয়ারফোর্সনা হায়বগী মতুংইন্না রুটিন ওইনা চত্থবা টেষ্ট অসিদা ষ্টাফ খরনা অতৈ মীওইশিংদা পাউখুমশিং শিলহল্লম্মী। অদুগা খরনা মওং খরদা নমথাক তৌরম্মী হায়রি।

সস্পেন্দ তৌখিবা ওফিসারশিংগী রেঙ্ক সেকেন্দ লেফটিনেন্টতগী কেপ্তেন ফাওবগী থাক্তা লৈবশিংনি। অতোপ্পা এয়ারফোর্স বেজশিংদা পার্সোনেল খরনা দ্রগ শীজিন্নরম্মী হায়বদগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা অরানবা থৌওং অসি খঙনরকপনি।

এয়ারফোর্স সেক্রেটরি দেবোরা লি জেমসনা হায়বদা চিট্টিং চত্থরল্লিবসি মোন্টানাদা লৈবা মামষ্ট্রোম এয়ারফোর্স বেজগী ওফিসারশিংনি। অদুগা মখোয়না অরানবা চত্থরল্লিবা অদুনা থা খুদিংগী ওইনা পাঙথোকপা মিসাইল ষ্টাফনা শোইদনা মায়োক্নগদবা টেষ্টশিংদনি হায়রি।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মেজর জেনরেল মাইকেল কেরিবুসু ফজদবা লমচৎকীদমক দিসমিস তৌখ্রে। হৌখিবা চহিগী মে থাদা ন্যুক্লিয়ার মিসাইলশিং মেন্টেন তৌরিবা ওফিসার ইন চার্জ ১৭ পু নোর্ঠ দেকোটাদা লৈবা মাইনোট এয়ারফোর্স বেজদা সেফটি রুলশিং ভাইওলেট তৌরম্মী হায়বগীদমক মথৌ পীখিদবনি।

মমাং চহিগী ওক্টোবর থাদসু অমেরিকগী লোং রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার মিসাইলগী চার্জ পুবা মেজর জেনরেল মাইকেল কেরি অসি থাজবা য়াদবা ওফিসার অমা ওইরে হায়বগী মরালদা থবক থদৎখিবনি।

# চাইনানা মিসাইল কেরিয়ার টেষ্ট তৌখি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে

*বৈজিং, জনুৱারি ১৪ঃ* চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা পান্দম তৌবদি নত্তবদা সাইন্টিফিক ওইবা খোঙথাং অমদা হায়প্পর সোনিক মিসাইল দেলিভরি ভেহিকল অমা পাইবগী চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখ্রে।

ঐখোয়গী থৌরাং অদু মহৌশা ওইনা ঐখোয়গী লৈবাক মনুংদা পায়খৎখিবনি। চাংয়েংশিং অসি অতোপ্পা লৈবাক অমদা টার্গেট তৌবা নত্রগা অকক্নবা পান্দম অমগীদমক চত্থবা নত্তে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ফেক্স অমদা ফোঙদোকখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অসিনা চাইনাদা মমাং চয়োলদা খোঞ্জেলদগী শরুক ১০ হেন্না য়াংবা হায়প্পরসোনিক গ্লাইদ ভেহিকল (ঐচ জি ভি) অমা পাইখিবা থেংনখি হায়না ৱাশিংটনা ফ্রি বিকন পাউ–চেদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু চুম্লে হয়বা খঙলে।

পেন্টাগোনগী ৱাঙাংলোই লেফটিনেন্ট কর্নেল জেফ্রি পুলনা হায়খিবদা ঐখোয়না মীরৈবাক্কী দিফেন্স এক্টিভিটিশিং রুটিন ওইনা মোনিটর তৌই। অদুগা হায়রিবা টেষ্ট অসি পাঙথোকখি হায়বা ঐখোয় খঙই হায়না ফোঙদোকখি।

# ফ্রান্সনা অফ্রিকাগী ইরাং লায়না লৌরুরে

*বাঙ্গুই, জনুৱারি ১৬ঃ* য়ু এন দা এম্বাসেদর ওইবা অমনা হায়বদা সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সি এ আর) তা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা লৈবাক অদুগী খৃষ্টান অমদি মুস্লিম কাংলুপশিংগী মরক্তা তাথিনবগী চাং কদায় য়ৌবগে হায়বদু ফ্রান্সনা লায়না লৌরুরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা য়ু এন মিটিং অমদা গেরার্দ এরোদনা হায়খিবদা অফ্রিকান য়ুনিয়ন অমদি ফ্রান্সকী লান্মীশিংনা ওইথোক্লরোইদবা ফিভম অমা কন্না মায়োক্নরি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অনি অসিনা হৌজিক থেংনরিবমখৈ হাৎনবা পাম্বা কাংলুপ অনিগী মরক্তা চংলুরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এরোদনা হায়খিবদা থোক্লিবা হাৎন–শুনবা অসিবু লোইশিন্নবা তকশিল্লকখিবা ৱাফমশিং ফ্রান্সনা থৌশাখিদে। হান্না লমদম অসিগী কোলোনিয়েল পৱার ওইরম্বা ফ্রান্সনা শান্তি পুরক্নবা থৌরাংদা লান্মী ১৬০০ খক থাজিনখি। অদুগা মখোয়না অফ্রিকান য়ুনিয়ন ফোর্সকী পার্সোনেল লিশিং ৫ খক্তংগা পুন্না থবক চংশিনখি। রৱান্দাগী জেনোসাইট অদুগী ২০ শুবা কুমওন নিংশিংদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এরোদনা হায়খিবদা ঐখোয়না হৌজিক লালোংগী মরমদা খন্নবা তারি। ওইথোকপা য়াবা মওংদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্বু অমনা অমা হাৎনবা তোকহন্নবা করি তৌবা তাবগে হায়বদুদা কন্না খনবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কাংলুপ অনিগী মরক্তা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোক্লে হায়বা ঐখোয়না খঙখি। অদুবু অসুক শাথিনা তাথিনবা ফিভম অমা ওইরমগনি হায়বসি হান্না উরুদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা রৱান্দানা হায়খিবদা সি এ আরগী অচৌবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন থিনবা পিছ কিপ্পর ৮০০ থারগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্র।

নিংশিংবা য়াবদি হাকুম চহিগী মার্চতগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা মীওই লিশিং অমা হেন্না শিখ্রবনি।

# লেবাননদা স্যুসাইদ কার বোমনা ৩ হাৎখ্রে



*অলেপো, জনুৱারি ১৬ঃ* লেবাননগী অৱাংদা সিরিয়াগা তাইনবা মফমশিংদা লৈবা হেজবোল্লাহগী অকনবা ষ্ট্রোং হোল্ড অমদা চত্থরকপা স্যুসাইদ কার বোম এটেক অমনা মীওই অহুম হাৎখ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসি সিরিয়াদা থোক্লিবা সিভিল ৱার অসিগী চৈথেং লেবাননদসু য়ৌশিল্লকপগী খ্বাইদগী কোনবা খুদম অমা ওইরি।

লেবানিজ ষ্টেসমেন্ট রাফিক অল হরিরিবু ইং ২০০5 দা হাৎখিবগী কেসতা দা হেগকী কোর্ট অমদা হিয়ারিং হৌরকপগা ঙসিগী থৌদোক অসিগা মপাসু চান্নরি। হেজবোল্লাহ মেম্বর ৪ গী মশা য়াওদনা চত্থখিবা ৱায়েল অদু সিরিয়াদা থোকখিবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা থোইদোক্না পুক্লিং চিংশিননবা ঙমখিদ্রে।

হর্মেলগী ময়াইদা লৈবা লোকেল গভর্নমেন্ট বিল্ডিং অমদা কার বোম অদু পোকখাইরকখি। মফম অদুদি হেজবোল্লাহবু ফজনা শৌগৎপা সিটে মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবনি।

কার বোম অদু পোকখাইরকপদা অনকপদা লৈবা বিল্ডিংশিং শোকখি। অদুগা থোঙ–থোঙনাওশিং কায়খি হায়নসু মিৎনা উহৌবা অমনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বীদা মীওইবগী হকচাংগী শরুকশিং চাইদুনা লৈখি। মফম অসিদা লৈবা হোস্পিটালশিংনা মীয়ামদা ঈ–দান তৌরক্নবা খঙহল্লকখি। হৌজিক ফাওবদি কার বোম অদু করম্বা গ্রুপনা চত্থবনো হায়বগী ক্লেম লৈত্রি। অদুবু অমনা অমবু কন্না তাথিনবা লুপশিংনদি চত্থরকপা এটেক্কী মওং য়েংলগা খঙলম্বা য়াই হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুগা লেবাননগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মিলিটরি অমদি পোলিটিকেল ঈহৌ চংশিল্লিবা হেজবোল্লাহশিংনা প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদপু মতেং পাংনবা ফাইটরশিং অমদি এদভাইজরশিং হেক–হেক থাজিল্লকপনি। প্রসিদেন্ট অসিনা সুনি লালহৌলুপশিংগা লান্থেংনবা মখোয়না মতেং পাংখি।

হেজবোল্লাহ অমদি অসাদ অনিমকপু ইরানগী সিটে লাইনিং চৎপা রুল্লরশিংনা শৌগৎলি। লেবাননগী নেস্নেল নিউজ এজেন্সিনা হায়বদা পোকখাইবা অদু মীওই ৪ শিখ্রে। মদুদা বোম্বর অদুসু য়াওখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ২৬ না শোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি সোর্স অসিনসু শিখিবশিংগী মশিং অসি কনফার্ম তৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্ট দিজিগনেট টমাম সলাম অমদি কেয়ার টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর নাজিব মিকাতিনা বোম্বীংগী এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# থাই পেনেলনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা থিগৎকদৌরি



*বেঙ্কোক, জনুৱারি ১৬ঃ* ওপোজিসননা চয়োল কয়ামরুম মহাক্কী মথক্তা ঈহৌ চংশিল্লকপদগী কোক শাদুনা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী মথক্তা থাইলেন্দগী এন্টি–করপসন ওঠোরিটিশিংনা ঙসিদগী থিগৎপা হৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

নেস্নেল এন্টি–করপসন কম্মিসননা হায়বদা রাইস ফার্মরশিংগী সবসিদি স্কিম অমগা মরী লৈননা থোকখিবা ৱাথোক অমদা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মথৌ পাঙথোকপদা থৌ–ৱা শাখিদবা লৈব্রা হায়বসিগী মতাংদা থিগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরদা নত্তনা পেনেল অসিনা অতোপ্পা মীওই ১৫ গী মথক্তসু চার্জ থাঙ্গৎকদৌরি। চার্জ মায়োক্নগদৌরিবশিংগী মনুংদা হান্নগী কম্মর্স মিনিষ্টর অমসু য়াওরি হায়না কম্মিসনগী ৱাঙাংলোই ভিচা মহাকুননা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অমনা স্কিম অদু য়িংলুক্কী য়ানদবা কাংলুপশিংনা য়াম্না কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা হৌখিবা নিংথৌকাবদগী বেঙ্কোক্কী মরুওইবা লম্বী লম্লোংশিং পায়শিন্দুনা লৈরিবনি। মখোয়না পান্দম তৌরিবনা য়িংলুককী মবুং অদুগা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর থাকশিন সিনাৱাত্রানা থাইলেন্দগী পোলিটিক্সতা হৌজিকসু খুৎ চংলিবদু তোকহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরবু মফম থাদোক্কদবনি হায়বসিনি।

ক্রিটিকশিংনা হায়বদা রাইচ ফার্মরশিংগী সবসিদি স্কিম অদু মহাক্কী পার্টিগী অচৌবা খোঙফম য়িংলুকনা হৌজিক মায়োক্নরিবা লিগেলগী খোঙথাংশিং অসি মহাক্কী গভর্নমেন্টপু লৈখা তাহনবা ঙম্বনা নম্না লৈবা ঙাক্তনি হায়নসু এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী এম পি কয়ামরুমসু নেস্নেল এন্টি করপসন কম্মিসননা অপ্পর হাউস অসি তশেংনা মীখলদা কাবা ঙাক্তা ওইহন্নবা পান্দম অমদা মরাল পীরকপা য়ারি হায়নসু অতোপ্পা লিখুন অমনা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা মরাল লৈরে হায়বা খঙবা তারবদি চহি ৫ রাজনিতি য়াওবা য়াদবগী চৈরাক ফংবা য়ানা লৈরি। অদুগা ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীখল অসিদগী য়িংলুকনা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙখিবা য়ারি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ফংলিবা থাইলেন্দগী অৱাং থংবা লমদমশিংদা মহাক্কী পোপুলারিটি হেনগৎহন্নবা লৌখৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু থৌরাং অদুনা মরম ওইদুনা য়োনবা ঙমদ্রবা চেং মপৈ–মপৈ লেম্না পৈদুনা লৈখিবনি। পুলিসনা ঙসি হায়খিবগী মতুংইন্না ৱাকৎলোইশিংনা বেঙ্কোক সদ–দাউন হায়বা খোঙজং অমা লাউথোকখিবদু ৱাকৎলোইশিং থোক্লকপগী চাং হন্থরকপদগী খোঙজং অসিগী চৈথেংসু শোন্থখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# য়ু কেদা গাউট লায়না য়াম্না হেনগৎলে



*লণ্ডন, জনুৱারি ১৬ঃ ষ্টদি অমনা হায়বগী মতুংইন্না য়ু কে দা হৌজিক লাইফ ষ্টাইল মওং তাদবগা মরী লৈনবা গাউট নাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*হৌজিক নাবগী চাং অসি মীওই ৪০গী মনুংদা অমা নাবগী চাংনি হায়না চহি ১৫ রোমগী মমাংদগী লৌখৎলকপা রিজল্টশিংগী এনালাইসিসশিংগী ষ্টদি অমদি ফোঙদোরকখিবনি।*

*মরুওইনা মশাগী অরুম্বা হেল্লবশিংদনা হেন্না নাবা লায়না অসি পুন্সি মরেল হোংলকপনা অমুক্তসু হেনগৎহল্লি। অদুবু নারিবা চাংগা হিদাক ফংবগী চাংগা নাবগী চাংনা হেল্লে হায়নসু রিসার্চরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।*

*গাউট হায়বসি ঈদা য়াওবা য়ুরিক এসিদ কা হেন্না তুংশিল্লকপগী ওইরকপা অরথ্রাইটিস মখল অমনি। হকচাংনা পুথোকপা সোদিয়ম য়ুরেট খৃষ্টেলশিংনা তাংশিংগী মনুংদা পুনশিল্লগা খঙহৌদনা হকচিন্না নাবা চৈনা পীরকপা য়াই।*

*উনশা ঙাংশিন্দুনা পোমখৎলকপা য়াওবসু য়াই। লায়না অসি মরুওইনা খোঙগী খোঙবীদা নাগনবনি অদুবু হকচাংগী তাং অমদা হেক্তমক নারকপা য়াই।*

*কিদনিদগী অমোৎপা ওইনা শুদোংরকপা য়ুরিক এসিদকী চাং ঈদা হেন্না য়াওরকপদগী থোকপা লায়না অসি অনম্বনা প্যুরিন হায়না খঙনবা কেমিকেলশিংবু হকচাংনা থুগাইবা ঙম্লক্তবদগী ওইরকই। হোংদোকপা য়াররোইদবা গাউটকী রিস্ক ফেক্টর খরসু লৈ। মসি চহিগসু মরী লৈনৈ। অদুগা নাগনবগী চাং নুপীদগী নুপানা শরুক ৪ হেল্লি। লায়না অসি ইমুং মনুংগী ওইনা নাবসু থোকই। হকচাংগী অরুম্বা চপ চানা থম্বনা গাউট নারকপা য়াবগী খুদোংথিবা হন্থহনবা ঙম্মী। অদুগা অরুম্বা হেনবা নত্রগা ওবেসিটি ওইবনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগী খুদোংথিবা হেনগৎহনবদা নত্তনা গাউট নারকপগী খুদোংথিবসু হেনগহল্লি।*

*গাউট নারবদি চাবা থকপা য়াম্না চেকশিনবা তাই। সার্দিন অমদি লিভর চাবদা প্যুরিনগী চাং হেনগৎহনবা মরমনা মখোয়শিং অসি চাদবা ফৈ।*

*বিয়ার কা হেন্না থাকপনসু গাউট নারকপগী খুদোংথিবা হেনগৎহল্লি। অদুগা পুন্সি মরেল হোংদোকপা হায়বদি হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবা অসিনা গাউট ঙাকথোকপদা চাউনা কান্নবা পী। অদুগা ঈদা য়াওবা য়ুরিক এসিদকী চাং হন্থহনবা হিদাকশিংসু লৈরে।*

*য়ু কেগী ঈ ২০১২ গী দেটা বেজ অমদা য়াওবা মীকোক মিল্লিয়ন ৪.৫ গী মনুংদা ১,১৬,০০০ লোমদি গাউট নারমখি। ইং ১৯৯৭ তগী ২০১২ ফাওবগী মনুংদা গাউট নাবগী মশিং চাদা ৬৪ হেনগৎলকখি।*

*চাং অসি চহিদা চাদা ৪ হেনগৎপগী চাংনি। নাবগী মশিং পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা নুপীদগী নুপানা শরুক ৪ হেল্লমখি।*

*খ্বাইদগী য়াম্না নারিবা মফমনা ৱেলস অমদি নোর্ঠ ইষ্ট ইংলেন্দদনি হায়রি।*

# সিরিয়াগী খুৎলায় মাঙহনবগী থবক থিন্থুরে



*অলেপো, জনুৱারি ১৬ঃ* সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎলায় মপৈশিং হোন্দোক্তুনা মাঙহনবগী থবক লৌখৎলিবা য়ু এন বোদিগী থবক তপথরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিগী মকোক ওইবা অহমেদ উজুমকুনা হায়বদা সিরিয়াগী হিথাংফম লাতাকিয়া য়ৌনা পুথোরক্লগা কেমিকেল খুৎলায়শিং অদু লৈবাক অসিদগী পুথোকখিবা খুৎলায়গী চাংগা য়েংনবদা য়াম্না ৱাৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু খুৎলায়শিং অসি মাঙহনবদা চহি অসিগী জুন লোইদ্রিঙৈ ফাওবদদি মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা মহাক্না ফোঙদোকখি।

থবকশিং অসি থুজিলহন্নবা থৌরাংসু লৈরে। য়ু এনন শৌগৎপা য়ানরোল অমগী মখাদা সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎলায় মপৈশিং মাঙহনবগী থৌরাংদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিঙাই ওইবশিং লৌথোকপা হায়বসিনা অহানবা খোঙথাংনি। উজুমকুনা মকোক ওইবা ওর্গনাইজেসন ফোর দি প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱিপন্স (ও পি সি দল্লিয়ু) হায়বা লুপ অসিনা হায়বদা থেংথরক্লিবসি টেক্নিকেল প্রোব্লেমশিং অমদি লাল্লক্তা থবক চত্থবগী হৌনবা থেংনবা প্রোব্লেমশিংনা মরম ওইদুননি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মহাক্না হায়খিবদা খুৎলায়শিং পুথোকখিবগী থৌরাং থুজিলহন্নবা অনৌবা খোঙথাং খরসু হাপকৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরাং অসিদা দেনমার্ক অমদি নোরৱেনা পোৎ পুবা জহাজশিং পুথোক্তুনা অমদি কেমিকেলশিং অদুবু ইটলিগী হিথাংফম অমা তম্না থিন্নবা মিলিটরি এস্কোর্ট পীবদা মতেং পাংলি।

# পাকিষ্টানগী সিনদা এক্সিদেন্টতা ২৩ শিরে

*কারাচি, জনুৱারি ১৬ঃ* পাকিষ্টানগী খা থংবা সিন প্রোভিন্সতা স্কুল ভান অমগা গাড়ী অচৌবা অমগা মমায়–মমায় থেংজিন্নবদগী অঙাং ১৯ য়াওনা য়ামদ্রবদা মী ২৩ শিরে অদুগা অতোপ্পা ২০ অমনা শোক্লে হায়রি।

মাল থন্না য়াওবা দম্প ত্রক অদুগা স্কুল ভান অদুগা কারাচিগী অৱাংদা কিলোমিটর ২৭০ রোম চৎলগা লৈবা নৱাব সহা মনাক্কী লম্বী অমদা মমায়–মমায় য়ৈশিন্নখিবনি।

থৌদোক অদুদা স্কুলদা পরিক্ষা য়াওবা চৎপা দৌলট পুরগী ব্রাইট ফ্যুচর স্কুলদা তম্বা মহৈরোইশিংগী মনুংদা ১৯ য়াওনা পুন্না ২৩ শিখিবনি হায়রি।


নৱাব সহাগী মতাইদা লৈবা কাজি অহমদ লিঙ্ক রোদতা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি হায়নসু পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদু থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই ২৩ গী মনুংদা স্কুলদা পরিক্ষা য়াওবা চৎপা অঙাং ১৯ য়াওখ্রে হায়রি।

ভান অদুদা তোংখিবা অঙাংশিং অদু মশাগী চহি ১২ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -126

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 9 | | | | 4 | | 8 |
| | | 4 | | | | | | |
| | | | | | | | 3 | |
| | | | 1 | | | 5 | 7 | |
| | 7 | | | 6 | 3 | | | |
| | 3 | | 9 | | | | 1 | 6 |
| 2 | | | 8 | | | | | |
| | 1 | | | 3 | | | 4 | 7 |
| | | | | 2 | 7 | | | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 2 | 4 | 7 | 1 | 5 | 6 | 8 |
| 1 | 7 | 5 | 9 | 6 | 8 | 3 | 2 | 4 |
| 4 | 6 | 8 | 3 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 |
| 8 | 3 | 9 | 6 | 4 | 7 | 1 | 5 | 2 |
| 2 | 4 | 6 | 5 | 1 | 9 | 8 | 3 | 7 |
| 5 | 1 | 7 | 8 | 3 | 2 | 9 | 4 | 6 |
| 9 | 5 | 4 | 1 | 8 | 6 | 2 | 7 | 3 |
| 7 | 8 | 3 | 2 | 9 | 4 | 6 | 1 | 5 |
| 6 | 2 | 1 | 7 | 5 | 3 | 4 | 8 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*